# ওস্কারদা বেষ্ট পিকচর ফংখ্রবা 'টুয়েল্ব ইয়র্স এ স্লেভ'


একেন সিজগুরুময়ুম


অমেরিকাগী ওইনা ওস্কার এব্রার্ড হায়বা অসি ফিল্ম অমগী লেমজনিংঙাই ওইবা মনা অমনি। মসি নত্তবা পৃথিবীগী ওইবা ফিল্মগী এব্রার্ড কয়া অমসু লৈ। অদুমওইনমক পৃথিবীদা হৌজিক হিংলিবা মীওইশিংনা ওস্কার এব্রার্ড অসিবু করি মরমগীদমক্তা তান্নরিবা। মসিগী ওইবা তোঙানবা মত কয়া লৈরমগনি। ওস্কার এব্রার্ডকী থৌরম অসি হন্দক চহীগী ওইনা মার্চকী ৩ ইন্দিয়াদা উৎলিবা অসিগুম্বা পৃথিবীগী মফম খুদিংমক্তা উৎলমগনি।



এব্রার্ড অসিবু ফংলিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা হন্দক চহীগী ওইনা বেষ্ট পিচর এব্রার্ড ফংখ্রবা 'টুয়েল্ব ইয়র্স এ স্লেভ' হায়বা অসিনা ঙসি ফাওবদা পাঙথোকখিবা ওস্কার এব্রার্ড ফংবদা খ্বাইদগী য়াম্না এব্রার্ড ফংখিদবা ফিল্ম অমা ওইখি।

মমাংগী চহীদা পাঙথোকখিবা ওস্কার এব্রার্ড অদুদা 'এগোর' হায়বা ফিল্ম অসিনা বেষ্ট পিচর তাবগা লোয়নননা তোঙান তোঙানবা এব্রার্ড ৩ লোয়নখি। হন্দক্কী ওইনা পাঙথোকখিবা ওস্কার এব্রার্ড অসিদা ফিল্ম অসিদা বেষ্ট সপ্পোর্টিং রোল ফিমেল নত্তনা অতৈ এব্রার্ড কয়া ফংখিবা লৈতে। ফিল্ম অসিগী ওইনা য়েংবদা য়াম্না অঙকপা মওং অমদা ফিল্ম অসিদা ট্রিটমেন্ট কয়া অমা শিজিন্নৈ। মীওইবগী শমাজদা অচৌবনা মচাবু হন্থনা য়েংবা নত্রগা অঙৌবা জাতিনা অমুবা জাতিবু হন্থনা য়েংবগী কলচর অদুমক ফিল্ম অসিদা মপুং ফানা উৎখি।

ফিল্ম অসিদা মপুং ওইবা রোল লৌখিবা হোল্লিব্রুদকী ফাওরবা এক্টর অমা ওইরিবা চিরেটেল ইজোফোরনা 'সোলোমোন নোর্টুপ'কী রোল অসি লৌখি। মহাক্না মতৌ করম্না চহী ১২ চুপ্পা কোটন প্লান্টেসনগী প্রোপ্রাইটর অমগী মখাদা থবক তৌখিবা কয়া অসি উৎপা ফিল্ম অমনি।

ফিল্ম অসিনা পৃথিবীগী মীয়ামদা উৎলিবদি অঙৌবা জাতিনা অমুবা জাতিবু হন্থনা য়েংবীরগসু নীং তম্বা পামজবা মীওই কয়া অমা পৃথিবী অসিদা হিংলি হাবা অসি উৎপা ফিল্ম অমনি। অমুবা জাতিশিংগী মরক্তা অঙৌবা জাতিগী মীনাই ওইনা লৈরবা মীওই কয়ানা মখোয়গী নীংতম্বা অদুবু তানবগা লোয়নননা নীংতম্না হিংবা পুন্সি অদুদা য়ুমফম ওইবা কয়া অসিনা হন্দক্কী ওস্কার এব্রার্দকী বেষ্ট পিকচর নত্রগা বেষ্ট ফিল্মগী কম্পিটিসন অদুদা মীয়াম্না বেষ্ট পিচর তারক্কনি হায়না খন্নরম্বা অমদি এব্রার্ড অসিমক ফংগনি হায়না পান্নরম্বা ফিল্ম কয়াবু তুংওইনরম্লগা 'টুয়েল্ব ইয়র্স এ স্লেভ' হায়বা অসিনা বেষ্ট পিকচর তাখি।

বেষ্ট পিচরগী এব্রার্ড খন্নবগী ওইনা হন্দক্কী ওস্কার অসিদা য়ামদ্রবদা ফিল্ম ৯ না এন্ত্রি চঙলকখি। মসিগী মনুংদা ফিল্ম ৫ না বেষ্ট পিকচরগী নোমিনি চঙখি। নোমিনি চঙখিবা ফিল্মশিং অদুগী মনুংদা মীয়াম্না চাওনা আশা থমখিবা ফিল্ম খরগী মনুংদা 'কেপ্টেন ফিলিপ' অমদি 'গ্রেবিটি' হায়বা ফিল্মশিং অসিনা হেন্না থাজবা থম্নখি। অদুবু মীয়াম্না খন্নরম্বা কয়া অদুগী ওন্ন–তৈনবদা লমদম অদুগী ফিল্ম নৈনবা ক্রিটিকশিংনা 'টুয়েল্ব ইয়র্স এ স্লেভ' হায়বা ফিল্ম অসিগী মরমদা ইরকখিবা কয়া অদুবু খঙবিগা লোয়নননা হন্দক্কী চহি অসিদা ফিল্ম অসিবু বেষ্ট পিচর ওফ দি ইয়র ওস্কার হায়বা মনা অসি পীখি।

ওস্কারদা মনা ফংবা হায়বা অসি য়াম্না অরাইবা অমদি নত্তে। ফিল্ম অসিগী ৱারিদা সোলোমোন হায়রিবা মীওই অসিবু মহাক্কা হকতিন্ননা খঙনবা মীওই কয়ানা মহাক্কী পুন্সিবু অমুবা জাতিগী মীওই অমনি হায়না হন্থনা লৌবীবগা লোয়নননা মরুপ মপাং ওইবগী মওংদা লৈরম্বা অদুগী ওন্ন–তৈনবদা মহাকপু অতোপ্পা মফম অমদা মীনাই ওইনা চহী ১২ গী ওইবা য়ান্নবা অমগী মখাদা য়োল্হোকপীরমখি।

সোলোমোননা মহাক্কী মপু অদুগী মায়োক্তা কৈদৌঙৈদসু লেপ্পুবা লৈতনা মহাক্না ফংলিবা চহী ১২ গী ওইবা মীনাই ওইবগী থৌদাং অদু মপুং ফানা পাঙথোকখি। মহাক্না মীনাই ওইনা লৈরিঙৈ মনুংদা মহাক্না নুংশিনবা মরুপ মপাং কয়া অমা অঙৌবা জাতিনা অবুবা জাতিবু হন্থনা য়েংবা কয়া অদুবু খাংদুনা শাংলবা চহী ১২ অসি খাংলকখিবা কয়া অদুদা য়ুমফম ওইবা ফিল্ম অমনি।

ফিল্ম অসিগী ট্রিটমেন্ট অমদি প্লোট অসি ইং ১৮৪৮ –৫২ ফাওবগী মনুংদা লৈরম্বা কলচর অদুগী মখাদা মতম শাংনা অঙৌবা জাতিনা অমুবা জাতিবু হন্থনা য়েংলকখিবা কয়া অসিদা য়ুমফম ওইখি। অমেরিকাদা মতম অমদা অঙৌবা জাতিনা অমুবা জাতি অসিবু করিসু ওইনা খনবীরমদে। মখোয়না আমেরিকাগী মফম কয়াদা লৈরিবা অবুবা কয়াবু অঙৌবা জাতিগী মীনাই ওইনা অদুমক উখিবা কয়া অদু ফিল্ম অসিদা নীংথিনা ফোঙদোক্তুনা উৎখি।

ইং ১৮৪৮ দগী হৌরগা চহী কয়া অমুবা জাতিবু অঙৌবা জাতিনা হন্থনা য়েংদুনা থল্লকখি। মীওইবগী পুন্সিদা চহী ১২ চুপ্পা মীনাই ওইরকপদা থেংনরকপা অফ–ফত্তা কয়া অদু মীনাই ওইরিবা মীওই অদুনা অমুবা জাতি ওইরুবনা অঙৌবা জাতিগী মায়োক্তা লেপ্পা ঙমদবগা লোয়নননা মশা মথন্তগী ওইবা দাইরি শেমদুনা থোকখিবা থৌদোক কয়া অদুবু সোলোমোননা ইশিন্দুনা থমজখি। সোলোমোনবু কোটন ফার্ম অমদা থবক শুনবা থম্বগা লোয়নননা অশঙবা মতমদা হ্বাইট মেন অদুগী ইমুং মনুংনা মহাকপু পোৎ–চৈ লৌথোক লৌশিনগী ওইবা থবক কয়াসু শিজিন্নখি। নোংমা মহাক্না পোৎ–চৈ লৌবা চৎপদা অঙৌবা জাতিনা অমুবা জাতিবু হন্থনা য়েংবগী মথক্তা মখোয়দা তোঙানবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা থৌরি য়ান্দুনা হাৎতোকপীখিবা কয়া অদু সোলোমোননা হকথেংননা থেংনখি। মহাকপুসু অঙৌবা জাতিগী মীওইশিং অদুনা কনানো, করি মরমগীদমক মফম অসিদা লাক্লিবনো হায়না হঙখি। মমৈথংদা মহাক্কী ঙক্তা শিরিবা মপুগী মমিং য়াওবা মীনাইগী টোকন অদুনা মরম ওইরগা মহাকপু করিসু তৌদনা মফম অদুদগী থাদোকখি। থৌদোকশিং অদু সোলোমোননা কনা অমত্তা খঙহন্দনা ইশিন্দুনা থমখি।

থোকখিবা থৌদোক কয়া অসিগী মনুংদা মহাক্কী মপু ওইরিবা অঙৌবা জাতিগী মীওই অদুনা মহাক্কা পুন্না মীনাই ওইমিন্নবা নুপী অমা নুমিৎ নিনি–হুম্নি হল্লক্তবগী মতাংদা মফি মরোল য়াওদনা উখোংদা পুল্লগা য়াম্না থিনা ফুখি। মতম অদুদা মহাক্না খাল্লুবদা নহাক্না মখা তানা ফু, করিগুম্বা ফুদ্রবদি নঙবুসু হাৎকনি হায়না সোলোমোনদা কিহল্লকপা কোঙ্গাইনি। মসিগী মথক্তা অঙৌবা জাতিগী মীওই খরনা মহাকপু শিননবা থৌরি য়ানখিবা কয়া অমসু ফিল্ম অসিদা নীংথিনা উৎতুনা ফোঙদোকখি।

লমদম অসিদা পুথোক্লিবা ফিল্মশিং অসিগা মপাল লমগী ফিল্মশিংগা চাংদম্নবা য়াবগী মতম অদু হৌজিক্কী ওইনদি লৈত্রি হায়বা তাই। মপাল লমগী ফিল্মশিংনা করম্বা সোট দিভাইজ শিজিন্নদুনা করেক্টর অদুবু এক্সপেক্টরশিংনা সিম্পেথি দ্রো তৌগদগে হায়বা অদুগী মতাংদা য়াম্না চেকশিল্লি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা নল্লিবা ফিল্মশিং অসি শম্না হায়রবদা বোল্লিব্রুদ, টেল্লিব্রুদ অমদি মণিব্রুদকী ফিল্মশিং অসিনা পৃথিবীগী ওইনা পাঙথোক্লিবা ওস্কার এব্রার্ডতা উৎলুবগী অয়াবা ফংলগসু ওস্কারগী নোমিনেসন ওইবা ফিল্মদি পুথোকপদা খরমক মতম চঙখিগনি। মণিব্রুদগী হেন্না চাওখৎলবা বোল্লিব্রুদকী ফিল্ম ফাওবা ঙসি ঙসিমক ওস্কারগী নোমিনেসনদা চঙবা ঙমদ্রি। ফিল্ম হায়বা অসিগী ট্রিটমেন্ট হায়বা অসি তোঙাল্লি। হন্দক্কী বেষ্ট পিকচর তারিবা 'টুয়েল্ব ইয়র্স এ স্লেভ' হায়বা অসি তোঙান তোঙানবা মফম মরীদা লোকেসন ওইদুনা সুট্টিং তৌখিবনি। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর ষ্টেপ মেক্যুইন মশামক ব্লেক মেন অমা ওইরুবনা ফিল্ম অসিদা য়াম্না চেকশিন্না ট্রিটমেন্ট তৌখিবা অমনি হায়বা তাই।




















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,